মতম মতমগী ৱাফম

## পূন্সিবু মশক তাক্লিবা লীলা অমা

# পূন্সি পামেল





**পূন্সিগী** মরমদা, পূন্সি খোঙচৎকী মরমদা ঐখোয় নোংমতফাও খল্লুদে। চৎতি চৎলি খোঙচৎসিদা পূন্সিগী পো অমা ওইনা। লোইবা নাইবা পূন্সিনি হায়বসিসু নোংমতা নীংশিংলুদে। ঐখোয় মীওইবসি হিংদুনা সুম লৈখিগদবোই লোইনমক্লা খন্নে। মীওইবগী পূন্সি লোইবা নাই হায়বসি ঐখোয় খূদিংমক্লা মীৎকুপ খূদিং নীংশিংনরবা ঐখোয় কনাসু খৎনরোই, ওইদবা ঙাঙনরোই, মীগী মরল-মথুম কলক্করোই। লম ফাওবা ঐগী লম, মাগী লম, হেন্না চাউবা লম, ঐখোয় ঙাক্তগী লম, কাঙলুপ অমখক্কী লম, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট কাইনা ঙসি ঙাঙনরিবা ময়ামসি শিগদবা পূন্সিনি নীঙশিংনরবদি পূম্নমক অরেম্বনি । শিরগা কনাসু পুবা য়ারোই। মসি খঙনরগদি মীওইবসি খৎনগদবা মান্দে, ঈরাং লৈগদবসু মান্দে। অশিবা হায়বসিবু কাউথোকহল্লিবা, শিগনি হায়বা খঙলবসু মদুগীদমক খন্থনদ্রিবা, অকীবা পোকত্রিবা, ঐখোয়না খন্নদ্রিবসি করিগীনো? গৌতম বুদ্ধনা তেংবানবগী নুংঙাইবা পূম্নমক থাদোকখ্রিবসি পূন্সিবু মশক খঙলকপদগীনি হায়নৈ। মহাকসু অদুম শিখি। শিববুদি তেংবানবগী মপূসু অদুম শিখি। ফজবী লোন্দা থুপখিবা, নোংকাবা হায়বনি। থূপখিবা, নোংকাখিবা হায়বসি অমত্তনি, শিবনি। শিবা হায়বসি অমুক হল্লক্লরোইদবা, উররোইদবা অমনি। খল্লুরগদি কয়াদা খোইরাং খোইশাওননিংঙাই ওইরিবনো। ফজখ্রবা তেংবানবা, মহৌশা, অঙাং ওইরিঙৈ পূন্সি, মথোৎ কারকপা, অকি- অখঙ লৈখিদবা মতমসি য়াম্না কুইনা ওইখিগদববোই নীংলুই। অঙাং ওইরিঙৈদদি নুমিৎ থোরকপদগী নুমিৎ য়ুংবা ফাওবসি য়াম্না কুইবা মতম্নি হায়নসু খনখি। নুমিৎপু য়ুংখ্রবদি নুমিৎ তাথরকপসি ঙসিদি খঙহৌখিদে। মূন্না খল্লুরগদি নুমিৎ তারকপসিসু পূক্লিং নুংশিনিংঙাইনি। নোংমগী নুমিৎ অমা হায়বসি নুমিৎ তারকপদা লোইগদৌরিবনি। অহিংসিমা হৌখ্রগদি হয়েং হায়বা অমনা অমুক শিল্লগদৌরি। হয়েং হায়বসিনা লাকপদা পূন্সিগী হিংবগী শিংথেক অমা হৌখ্রে। হিংবগী মতম নোংমা কল্লবনি। অশিবা হায়বা লন্বী অদুদা নোংমগী মতম চঙশিল্লবনি। ঙরাংগী হৌখিবা মতমদু ঙসিনা লাকপদা ঙরাং হায়বা নুমিৎতু কাউরকই। মসিনি মতমগী খোঙচৎ।

নহানখৈ থোইনা খল্লুদবনি হন্দক ৱাকচীং থাসি হকচাংসি শোন্দম নাওদম্মী। মহৌশানা অহলশিংদি নীংথমথাগা য়াম্না পক্লদে। নীংথম থাদা অহল-লমন য়াম্না শিগল্লি। কুইদ্রি ককচীংদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা তামো আই এস কাংজমগা পূন্না চৎমিন্নখি । মশা ইকন কনখি অদুগদি তামোগী পাউ নুংঙাইতবা অমা তাখি । তামো আই এস কাংজমসু খঙহৌদনা মিৎ উরকখিদে মমশিল্লকই হায়, মসিনা মরম ওইরগা ষ্টেট কলা অকাদেমীনা শীনখিবা লিটরেচর ফেষ্টিবেলদা শরুক য়াবা মহাক লাকখিদে। মণিপুর ষ্টেট কলা অকাদেমীনা শীনখিবা লিটরেচর ফেষ্টিবেলগী নিনীশুরকপগী শৈরেং শৈদিন্নবা থৌরমদগী হৌরে নুংঙাইতবগী পাউ মথং মথং লাকখিবসি। ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানরম্বদগী হৌগৎতুনা ফম্বাক্তা কাখ্রগা অইবী শঞ্জেনবম ইচে ভানুমতীনা ইখঙ খঙহৌদনা ৱা ঙাঙলম্বদগী কংলাগী হোল মনুংদা পূন্সি খোঙচৎ লেপখি। ইচেম্মনা, মহাক ঈশৈ শকখিনি মাগী অদুঙৈগী ঈশৈ ময়াম খোমজিনবা লোইরে হায়না নুমিৎ অদুদা ৱারী শারম্মী। মঙগুম্বা থৌদোক্লি, সিবু হৌনব্রা ? সঙাই ফেষ্টিবেলসু হৌখ্রে, হৌখিবদা ঙাইরি লোইশিনবগী মতমসু অমুক য়ৌরকই। ফেষ্টিবেল মনুংদা পাঙথোকপা সঙাই ইন্টরনেস্নেল ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা **‘ইমা সাবীত্রি’** মিংথোনবা দোকুমেন্টরী ফিল্ম অমা য়েংখি। মদুদু য়েংলুবদা ৱায়, য়াম্না ৱায়। শক্লাইরবী মণিপুরী থিয়েটরগী মমা মিংথোল ফংলবী ইমা সাবিত্রিগী পূন্সি ৱারীদা শাগৎপা ফিল্মনি। অশেঙবা থৌদোকশিংনি। ফিল্মগী অরোয়বা শরুক্তা ওঝা হৈস্নাম কহ্লাইলালনা তপ্না তপ্না হকচাং ঙমশিল্লক্তবা, মহাক্কী কলাক্ষেত্রবু মহাক্কী মীয়ামদা শিন্নরম্বা, ইমা ইবেম্মা সাবিত্রিনা অৱা পোৎলুম কোকথোংনারগা উৎখিবা লীলাগী মতাং অমনা অরোয়বা সিন ওইখিবা ডোকুমেন্টরী ফিল্ম অদু য়েংলুবদা কোকথক অসিদা অরূম্বা অমনা নন্থরকপগুম তৌখিবনি। ৱাখল ইনুং নুংঙাইত্রিঙৈ তাল্লক অসিদা অমুক ৱাখল খলহনখিবা, অশিবা হায়বসিগী মরমদা মথং মথং খলহল্লকখিবদি হন্দক্তা পান্থোইবী নাট্য মন্দির, য়ূম্নাম লৈকায়না নবেম্বর ২৫, ২০১৭অসিদা ওঝা য়ূম্নাম রাজেন্না ইবা অমদি মশামক্লা লমজিং লমতাক্তুনা পুথোকখিবা লীলা **‘পূন্সি পামেল’** হায়বা ড্রামা অসি য়েংলুবদগীদি হকচাংসি কা হেন্না পূমশোন শোন্থখি। হৈনিংবা পোকত্রে, লাইরিক পানিংদে, ঈশৈ তানিংদে, মীনা ফাগী তৌরকপদা নোক্লিংদে। পূন্সিবু য়াম্না নুংশিরকখি। পূন্সিগী মরমদা ৱাখল য়াম্না খলহনবা হৌরকই। হৌজিকসু খল্লি। ঐগী মরূপ ওথোংগী সর্জন ডা. পি শ্যামসুন্দরনা হায়খিবা ৱা অমা নীংশিংলকই, ঐখোয় ময়ামসি অচৌবা বস অমদা পূল্লপ তোংলগা চৎমিন্নরিবনি। মাগী মাগী ময়ূম মপা য়ৌরকপশিংনা, মরূপ ঐ য়ৌরে লৈহৌরগে হায়দুনা অমমম কুমথহৌবদুনি। ঐখোয় লোয়নমক বসতগী কুমথগদৌবা ঙাক্তনি অহান-অকোনগী ৱানি। ৱাফমসি ওজা রাজেনগী ড্রামা **‘পূন্সি পামেল’** উরুবদা খঙনীং নীংশিংলকই। মরূপ ডা. শ্যামনা হায়খিবদি থোইনা খনখিদে । ৱাফমদু কাউসু কাউথোকখ্রবনি।

পান্থোইবী নাট্য মন্দিরগী অনৌবা ড্রামা **‘পূন্সি পামেল’** ফোঙদোকপা থৌরমদা ফম্বাক্তা লেঙখৎপীখিবসি হকচাং ঙমদে হায়রিবা ডাক্টর আই এস কাংজম নুমিৎ অদুদা তঙাই ফদনা লাক্তুনা য়াওরৈ, লমাবম ওঝা গোজেন্দ্রাসু ফম্বাক্তা ফমখি। অতৈ ওজা অনী ডা. এন প্রেমচান্দ অমদি পান্থোইবী নাট্য মন্দিরগী প্রসিডেন্ট ওইবীরিবা ঐগ্যা এল. বীরেন্দ্রকুমার শর্ম্মানি। শক্লাইরবা মীওই মরি অসিগী মনুংদা অনীখক তীক তীক লাওবা নত্তনা মীওই অনী অমদি হকচাং ইকন কন্দবা ঙাক্তনি। ড্রামা ফোঙদোকপগী থৌরমদা অইবা অমদি লমজিং লমতাকপীখিবা ওঝা য়ূম্নাম রাজেন মশানা ৱাফম খরা মীয়ামদা থৌরমগী মাঙওইননা থন্বীরকপা মতমদসু ওঝা মশা হকচাং নুংঙাইতবগী ৱাফম্না হান্না মাঙ থারগা ঙাঙবীখি। ওঝাসু হন্দক্তি পূক্লিং হকচাং ইশোন শোন্থে হায়বীখি। ওঝা রাজেন্না থবক্তগী পেন্সন ফংলকপগা ৱাখলকাসি শোন্থরকপগা মপা মপা চাননা মহাক্কী অনৌবা ড্রামা অসি ইরকখিবা ওইরিদ্রা ? ওঝা য়ূম্নাম রাজেন ঐনা ইকায়খূম্নজবা অইবনি, ড্রামা অমদি লীলাগী লমজিং লমতাকপনি। ওঝানা ইবা ফোঙলবা ড্রামা লাইরিক লোয়নমক পাজখ্রে, ড্রামাসু অয়াম্বনা য়েংজখ্রে। ওঝা রাজেনগী ড্রামা অয়াম্বদা নোক্লিংহন্নবগী মরোই-মপাং খজিক খজিক থাক্কল্লি। হন্দক্কী ড্রামা অসিসু নোক্লিংনবা মচাক অদুম হাপ্লি অদুবু হন্দক্তি নহানখৈগী ড্রামাদগী ইতোপ তোপ্লী। নোক্লুরগা হন্থরকপদা কপ্লিংহল্লি। য়াম্না কুইনসু নোকহন্দে । হন্দক্কী অনৌবা ড্রামা অসি য়েংলুরগা থোকলকপদা হরাউদে, মী উন্ননীংদে। ওঝা য়ূম্নাম রাজেনগী ড্রামা খুৎই, খুৎফোংদোক হন্দক্কী ড্রামা অসিদা খংহোং হোংলকপগুম উই। ঙাঙনহল্লিবা ৱাহৈ-ৱাতা পূন্সিগা মরী নৈনবা ঙাক্তনি। পান্থোইবী নাট্য মন্দিরগী অচঙবা এক্টর অনী খ্বাইরাকপম রতন অমদি হিজম ইমো অনীনা মতম শাংনা পান্থোইবী নাট্য মন্দিরগী লীলা কয়াদা কূমলম্নগা হন্দক য়াওরকখিদবকাসি মিৎতা মথং মথং উরকই। মখোয় লোয়নমক উন্নরম্বা, পার্ফোমেন্স য়াওরম্বা এক্টর ঙাক্তনি । মখোয়সু পান্থোইবী নাট্য মন্দিরগী ফম্বাক্তা হৌরম্বা তলা পামেল মখোংদা চেন চোংলম্বা লীলারোইশিংনি। ঙসিদি য়াওরখিদ্রে, অমুক হন্না উররোইদবা লন্বীদা চৎখ্রে।

**‘পূন্সি পামেল’** ড্রামা অসি ইচম চম্না পুথোকপা ড্রামানি। থোইদোকপা সেট চঙদে। য়াম্না সিম্বোলিক ওইনা খোংনাং চাউথোইবা অমখক্কী উখাদা, মমাঙদা থোকখিবা থৌদোকশিংগী ৱারীবু হৌবদগী লোইবা ফাওবা উৎপা লীবনি। পূন্সিগী খোঙচৎ পরিং, মথং মনাও, মাঙগী ৱারীসু লীরি তুংদা লাক্কদবা কয়া অমসু তাক্লি। নুমিৎ খূদিংগী লম্পাক্তা থোকলক্তুনা, উখাদা লৈকায়গী অহল-লমনশিংনা ফম্মিন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শামিন্নবা, ঙাইহাক অমগা অমগা ৱা ৱা নোকমিন্নবা, অহল লমন ময়ামগী পোত্থফম ওইজবা মতৌ কয়া উৎলি। কনাগুম্বগী ইমুংদা, কনাগুম্বগীনা লন্বীদা থোকপা থৌদোক মচা মচা খরসু পূন্সি ৱারীগী মথেল অমা ওইনা য়াওরি। মথেলশিং অসিনা উখাদা ফম্নগা ৱারী শানরিবা অহল-লমনশিংগী ৱারীশিংগা অমুক শমজিন্নহল্লি। নুংঙাইহল্লি, নোক্লিংহল্লি। মতম কৌবী লাইরেম্বীনা ওন ওন্দুনা পুখি ঙম্নমক। অমুক পুরকই অনৌবা পূন্সিগী মপাও অমা । কোঙ্গোল অমনা তাকখিবা অনৌবা কোঙ্গোল অমা অমুক লাকপা অসুম্না মথং মথং লাকই অমুক ৱাবা, অমুক নুংঙাইবা। ঙরাংগী মহুৎ ঙসিনা, ঙসিগী মহুৎনা হয়েংনা শিনগদৌরিবনি হায়বা য়াম্না ময়েক শেংনা তাকপা ড্রামানি। পান্থোইবী নাট্য মন্দিরগী ড্রামা **‘পূন্সি পামেল’** উরুবদা, মহাকবি রবিন্দ্রনাথ ঠাকুরগী ‘থৱায়’ হায়বা শৈরেংদু নীংশিংলকই। **“শিজনিংদে ঐহাক্তি ফজরবা মালেমদা, লৈজনীংই হিংদুনা মীওইবগী মরক্তা, কোরৌ মঙান অসিদা অশাৎপা লৈগী লৈকোন্দা ফংলবগী লৈজবা অহীংবা থম্মোই-লমলেন্দা ...।”**

হন্দক্কী ড্রামা অসি অমুক্তংগা হন্না মফম চাবা অমদা উৎহন্নীংঙি । লৈঙাকপসু, তম্পাক্কী মীসু চীংগী মীসু, থৌদোক ৱাথোক চেন্নরিবা, নুপী অঙাংদা নত্তবা য়েংলিবা, অমগা অমগা কন্না হুন্নদুনা ঙাঙনরিবা, মীগী ময়ুম শিবা, লৌবুক্তা পৈদুনা থম্বা ফৌদিবু মৈ থাবা ঙল্লিবা পূম্নমক পূন্না য়েংমিন্নহন্নিংঙি। ড্রামা অসিনা ঐখোয় মীওইবদা পাউখোং অমা চল্লি । পূন্সি খোঙচৎ তাক্লি। ঐখোয় লোয়নমক চৎপা তাবনি, পামেল উজাও অমগী পূন্সিসু য়ৌঙমদা, চীংজাউ অমগী পূন্সিসু ফংঙমদা । খন্থরুরগদি পূন্সিসে নুংশিখ্রেদা ।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

## লৈকংদা ঈরাক্লবা

**ৱায়েল** মপূগী ৱায়েল-ৱারোল অদু তারুবদগী অহল অদুগী মকা লান্নম্বা মায়থোঙ অদু অসুম অসুম মকশিনখিবদগী হৈবী অমুনবদু ঙায়খ্রে। মশাদু চেঙ খৈবগুম থক থক নীক্লে, মচিন্দু ফৈরেং তুরেং চিংলে-পোকখায়রমদাই মৈগী চীংগী মতৌগুম্লে।

“শেঞ্জাবা, জর্জ ওইরগা শেঞ্জাবা! ইচুম চুমজবা ঐবু নঙনা শেন চারগা অরানবা তাহল্লবা! নৱা লৌদে। কোর্ট অসিবুদি ইকায়খুম্নে, অদুগা নঙদি, নঙদি জর্জ ওইরবসু নৱা লৌদে, নঙগী ৱায়েলসিদি ইথুনগুম্বনি, নৱা লৌদে হায়রিবসিনি, শেঞ্জাবা, হুরানবা।”

মৈ থোক্লা শারবা লাভানা শাফু কন্না কামথোরকপগুম পাইথোরকপা ৱাহৈশিংদুনা ৱায়েল-কাদু পুম্লিল নিলখ্রে। হাংদোক্লবা থোঙ থোঙনাওদসু মনীং তন্নবা ৱাহৈশিং পাইথোকখ্রি। ৱাহৈশিংদুগী কল্লবা শাফুনা য়ৈবদা তিল্লিবা ময়াম মমিৎ মনা চপ চপ য়ুংনখ্রে, তুমিন তুমিন অমগা অমগা য়েংনৈ। ৱায়েল মপূগী মতেং পাঙনবা লৈরিবা নাকলদা ফল্লিবা অঙম্বদু খাঙবা য়াদ্রমাল্লে, ফুক হৌগৎলকই।

“খুরা কোর্টতা অদুগুম্বা অকাম্বা ৱা ঙাঙবা য়াদে। ফাইন লৌই। হৌজিক খুরানা ঙাঙখিবদুগী লুপা চাম্মা ফাইন থিবা তারে।”

“অদুদি অমুকসু হায়রে শেঞ্জাবা শেঞ্জাবা, নৱা লৌদে শেঞ্জাবা। নঙগী ৱায়েলসিদি ইথুনগুম্বনি।”

“লুপা চনি ফাইন থিবা তারে।”

“অমুকসু হায়রে শেঞ্জাবা শেঞ্জাবা, নৱা লৌদে শেঞ্জাবা।”

“লুপা চহুম শুরে।”

“অদুদি হায়রে শেঞ্জাবা, শেঞ্জাবা। নঙগী ৱায়েলসিদি শে শে ইথুনগুম্বনি, নৱা লৌদে শেঞ্জাবা।”

হন্দক্তি চুম্নতা হায়রগা তোকত্রে, ৱায়েল মপূদা মনিং ওনশিল্লগা মখূৎ য়েৎনা নীঙ্গোংদা পোপ পোপ থারি। মতৌদুদা তিল্লিবা ময়ামদু নোক্লিংগুম শাউনীংগুম ঙক্লা য়েংনরি। অঙম্বদু তপথবা য়াদ্রবজাৎনি।

“খুরা! নঙ লুপা চামঙা ফাইন থিবা তারে।”

“অদুগা ইবুংঙো, কোর্ট হায়বা ৱায়েল লোইশঙ হায়বসিদি অচুম্বগীদমক্তা লৈরিবনি। অচুম্বা মীদুদা অচুম্বা ফংহন্নবা লৈরিবনি। অদুগা অচুম্বা হায়বসিদি লেংদনা লৈজবনি। মীওইবগী খূৎশেম নত্তে। নঙ ঐনা শেমদুনা পুথোক্কদবা নত্তে। লেংদনা লৈরিবা অচুম্বদু পুথোকপগী মহুত্তা খূৎশেমগী অচুম্বা শেম শারিবা ইবুংঙো নখোয়দি বিচার লোইশঙদা থবক তৌবা মতিক চাদে, শেলতবু মিকাবা নখোয়দি দুকান ওইনা ফম্মুচো। অচুম-অরান্দা শেংদাং তানবীনু। নখোয়না চীন কাংজে থোইরগা অচুম্বা ফনা শারবসু ওইবা য়ারোইনে ইবুংঙো। অচুম্বদি লেংদনা অসুম লৈবনি। অচুম্ববুদি মাঙহনবা ঙল্লোইকো।”

“খুরা সিদা ফল্লিবা ময়ামসি আইন খঙ হৈরবা ঙাক্তনি, খুরানা ঙাঙবীরিবদু শাংমল্লে।”

“ঐ খঙজৈ, খঙ হৈরবা ঙাক্তনি। খঙবদুনা হায়জরিবনি। জজ সাহেবকী তুংদা ফক্লাংদা থেৎলিবা লাই অসিদা খূত্তা সেরফলা পায়রিবা লাইরেম্বী অসিগী মমিৎ খুমজিল্লিবা অসিনা তাক্লিবসি বিচার তৌবদা শক মায় য়েংবা, অচান মীরাই নাইবা য়াদে। অশেংবা অচুম্বা অদুতা তৌগনি খঙহল্লিবনি। নখোয়গী ঙসিগী ৱায়েল অসিদি মসিগা ওন্না তৈনরেনে ইবুংঙো।”

“খুরা ৱায়েল অসিদা পেন্দ্রবদি হেন্না ৱাংবা কোর্টতা চৎপিরো হায়জখিবদুনি।”

“নখোয়গী অসিগুম্বা ঙাক্তা ঙায়রবদি করি কান্ননি। ফরে মদুগী ৱাদো খনখিগে। অরোইবদা ওইনা ৱা অমদি হায়রমগে নখোয়গী কোর্ট অসিদা ঐগুম্বসি অমুক হন্না লাউবা ওইসনু, ঐগুম্না নীংবা কায়দসনু। ঐ চৎপা য়ারনিকো?”

“ফাইন থিদবা য়ারোইকো”

“হা হা ঙাঙবা য়াদবা ঙাঙবগী ফাইন! নখোয় ওইদবা ঙাঙবগীনা ফাইন কয়া লৌগদৌরিবা? সে সে লৌরো।” অসি হায়দুনা পুময়াৎকী ফুরিৎখাউদগী শেন লৌথোক্লগা অঙম্বগী মমাঙদা চামঙা চৎপী অমা থম্মী।

“ফাইন থিরবনিনা চৎপা য়ারনি?”

“য়ারে, য়ারে ঙসাইনা য়ারে। খুরাগুম্বসি অমুক হন্না লাকপীদবা ওইজরগে। য়েৎলদনবা।”

“হুম” হায়রম্নগা ফৈজোম কুঞ্জাদু অমুক্তং কল্লম্নগা মখোঙ গম গম থাংদুনা তয়াং তয়াং থোকখ্রে। তিল্লিবা ময়ামদুগী মাঙদা ৱায়েল মপূদু খরা খজিক মায় ঙাঙখিবরা, ঙাঙখিদবরা?

*-ভোরোত সনসম*

ৱারী ককনাউ

## অঙাংগী নিংঙাই

**থোইরেন্দু** ঙসিসি করিনুংগীনো হায়দু হেক য়ৌই। মাগী মচা ৱা পেৎখ্রবা বোইবোই কৌবা অমা লৈ, মথন্তা পোকপনি। থোইরেন্না অনীদংদি শুবা পাম্বনি, নিংঙোল অমতগা য়াওরদি হায়না খঞ্জবনি, অদুবু মরাইবক্তা তল্লমদ্রমাল্লে পিবাদুদগী হেন্দ্রে। বোইবোই হৌজিক ক্লাস থ্রি কারে, কাবক কাবক ৱাখল তারবা য়ারবা মতমনি। মথৌ তৌবদা পূক্লিং চঙবা য়াবা মতম য়ৌরবনি, মদুগদুদি মঙোন্দা লৈতে, মাইবু মানা হেক হায়বদা য়াদ্রবা লোইরে, ইমুংদুমদি মথক মখা ওনবগা চপ মান্নবীনি। মাগী নিংঙাইসিদি লৈত্রে হায়রিসিনি, ওন্থোক্লা ফৎখিদ্রবা, মীনগদি মচাদু মমা মপা উদ্রিঙৈদা ফুনিংবনা খূৎ মরেং-মরেং চৎলি হায়দু হেক য়ৌবজাৎনি। থোইরেনদনবু মচানি নুংশিদনা অদুক খোন খিত্তং কল্লপ্না চৈবদগী হেন্না মখূৎনা নোংমতা মচাদুদা সেৎ থারকত্রিবনি। মচাদুনা তৌরিসু মানা হেক হায়বসে য়াদ্রিখৈ অদুম ঙেং-ঙেং তৌ লৈবনি। মদুদা অমুক য়াদ্রেদনা মানা থোকপা অমা তৌদৌরিনি, - পোৎ লংখাইবা, হায়বা ইন্দবি, চাক চাদবী, লাইরিক পাউ য়াদবী, স্কুল চৎলু য়াদবী, মদৈ হেন্দোক্তুনা মানা শাথিরিবু থোইরেনগী মমান্নবগা য়ূমদা লাকপদা মী ময়াম ফম্মিদুগী মনাক্তা মফি লৌথোক্লগা হেক্তা চৎপীনি, মসিমদি অতৈ অঙাংশিংনা পাক তৌদবা নিংঙাই খূৎতৌনি। মানা তৌরিদুদি মপা মমাদু লাকইবা মীশিংদুগী মমাঙদা ইকায়বা পীরিনি। ওন্থোক্লা শারৈ কনখ্রবা অঙাংনি।

হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেলদু থোইরেনদু মকোক পায়দুনা খাঙবনিসে। সঙাই ফেষ্টিবেলদু মফম ৫ থোক্লা শিনবনিনা বোইবোইনা চৎসি হায়বা মফমদু হেক চৎতবদা থোকঅবা অমা তৌদৌরিবনিনা মোইরাংলোমদা অমুক, লম্বোই খোংনাংখোংদা অমুক, পেলেস কম্বাউন্দা অমুক অদগী শগোল য়েংনি হায়দনা কাংজৈবুংদা অমুক, অমুক্তোইবা লোইবীনি। ফরেনে মদুসু য়ারেনে, য়াম শাথিবা অমা ময়াম মমাঙদা থোইরেন্দু চোপখ্রবনি।

সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংবা অহানবা চৎপদু পেলেস কম্পাউন্দনি। লন্বীদগী হৌরে মচাগী নিংঙাইসি। লন্বীসিদা বোইবোইনা য়েংবসি য়েংবসি কনাগী কাচিন কোয়াদা লৈবা ফাওবা উবিনি। হেক উবগা হেক্তা হংবীনি। মচাগী পাউখুম পীবদা থোইরেনদু খদাং চোকই হায়দুনা হেক য়ৌরে। টি জি মমাঙদা য়ৌরকপা অদুদগী হৌরে বোবোইনা নিংঙাই তকখাইরকইসি। মাদি লন্বীগী ময়ায় মেদিয়ান্দগা পোষ্টর মচা মচা থেৎপদুদা ঐখোয়গী মিনিষ্টরশিংগী ফজ ফজবা মশকশিং, নোকফেৎ নোকফেৎ তৌরগা থেৎপশিংদু সুম য়েংলগা লাকইজাৎনিদনা। টি জি হায়জিনবগী অদুৱাইদুদা অচৌবা পোষ্টর অনী অহুম থেৎপদুদা ঐখোয়গী মিনিষ্টর অচৌবা অদুগা অতৈ নহা মিনিষ্টর মশক ফজবা উবদুদা বোইবোইগী ৱাখলদা করি খল্লুরবনো খঙদেনে।

“ববা সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংঙরোইসি, সিনেমা ওইনা য়েংসি হায়গৎলকইনে”

“সিনেমা হোল অমত্তা লৈত্রে, লোইনমক দুকান ওনবা য়াও, স্কুল ওনবা য়াও তৌখ্রে, সিনেমা য়েংফম লৈত্রে, অদুনা কোন্না দিস্ক থোক্লগা য়েংসি য়ূমদা” ইচম চম্না অশেংবদু অদুম খুমজৈ থোইরেন্দু।

“য়াদে লৈ হায় কৈশাম্পাৎলোমদগী চংঙগা হোল অমা লৈ হায়, মদুদা তৌরমগনি য়েংঙুসি, য়াদে য়াদে য়াদে” বোইবোইগী নিংঙাইদু হৌরকই। থোইরেন্না খল্লি, মসি অঙাংসি ঙসি শোয়দনা ফরক তারক্কনিসে। মচানা হায়রিদু খঙই মা উষা সিনেমা হোল ওইদৌরিনি হায়বা।

‘বোইবোই মদুগী লন্বীদুদা ঐ চৎপা য়াদে, ঐগা থায়না খৎনখিবা মী অমা লৈ, মা থেংনরদি ববা মাগা খৎননি, চৎকুমসি, ঙসিদি সঙাই ফেষ্টিবেল নুংঙাইনা য়েংলগা য়ূমদা হোরেন এঞ্জাং অহাওবা অমা থোংলগা চারুরসিকো’ থেম্মে, থেম্বা য়াবা, মচাদুদি নিংঙাই ফজরে গাড়ী মনুংদুদা।

“য়াদে য়াদে, সিনেমা য়াম নুংঙাইদৌবা অমা তৌরিসি য়েংদবা য়ারোই, য়াম য়েংনীংই, হেরো মশক ফজৈ, মসি য়েংদবা য়াদে, মশক ফজবা সিনেমা য়েংগে য়েংগে সিনিসে”

থোইরেন য়ারগদি মচাদু ঙম্নবা থেমজিল্লগে হায়দনা মচাদা থেম্মগা হংই,

“বোবোই কদাইনোনে নঙনা হেরো মশক ফজৈ হায়রিবদুবো, কদাইনো?

তু লন্বীদা পোষ্টর মচা মচা থেৎলিবা, অদুগা অচৌবসু থেৎলিবা হেরো মশক ফজবশিংসে মোইনা কুম্বা সিনেমাদু য়েংনীংই, য়েংদবা য়ারোই, ববা ববা... তু তু আদসু থেৎলে, ববা য়েংসে য়েংসেমী...” থেমখৈ থেম্মগা হেন্দুম হেনজিল্লকই।

থোইরেন্না য়েংই, অদুগদি উপাই লৈত্রমাল্লে, তিংখৎতনা নোকথোরকই।

“নোক্কনু ববা সিনেমা ওইনা য়েংঙুসি, অসিগী হেরোসি য়াম য়েংনীংই, অনৌবা ওইবা মাল্লি, সিনেমাদা অমুক্তা উদে, অদুগা লন্বীদা য়াম্না পোষ্টর থেৎলি, য়াম ফাওরমগনি, মোইনা কুম্বদু য়েংসে য়েংসে...” হেন্দুম সুম হেনজিল্লকই।

“হে অসিদি সিনেমাগী হেরো অমত্তা নত্তে, অসিদি মণিপুরগী মিনিষ্টরনি, সিনেমা কুম্বা নত্তে, বোইবোই মীনা তারগা নোকপদা লোইবা তারে, ইচা মরম মোকপনি, নিংঙাই তৌরনু, হোরেন ববাননে সঙাই ফেষ্টিবেল মফমদা অপাম অপাম্বা লৈবিনি কো তুমিন লৈরো”

“ঐ অমত্তা পামদে, মানা সিনেমা কুমদ্রগা করিগী থেৎলিবা, নঙনা নচিন থিজিন্নরিনি। য়েংগে য়েংগে...”

থোইরেন করি হায়দোইনো খঙদ্রে, মচা নিংঙাই ফত্তবগী ৱাদুবু লৈবাক ৱা ওইনা পুথোকপা য়াবা নত্তে, হন্দক্তি মচানা হায়রিখৈ অমত্তা খুমদনা মাগী তৌফম থোকপা গাড়ীদু তুমিন অদুম থৌরি। মচাদুদি মপাগী মনঙ্গন্দা কিন্না শু শুদুনা নিংঙাই কন্না গাড়ী মনুংদা তৌরি।

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬২

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি থায়না কোনুংদা লৈরম্বা লোইশঙ অনীগী মমিংনি। মথৌ করি করিনো? তেন্না হায়য়ু :
(ক) চৈরাপ (খ) গারোৎ।

২। “সনামহী ঙৌবরেন/ফূহিং সনা লাইজরেন/শনজিং ফম্বাল মহীরেন।” পরেংশিংসি লাইনিংহল ফুল্লোগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৩। কুমজা ২০০৩দা ঐখোয়গী খোরিরোলদা নেপালি অইবা অমনা ‘কোরৌগী মশেক মঙাল’ কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমা খুদোল তল্লকই। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “মুতুম দেবলাগী ‘রোমিতা’ না থেংনরিবা সমস্যাসি হৌজিক্কী অনৌবা নুপীগী সমস্যানি।” ৱাফমসি ক্রিটিক অমনা হায়বনি। দেবলাগী উপন্যাস অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। কুমজা ২০১১দনা ত্রাইবেল অইবা অমনসু ‘ঈচেলনা কংলবদি কোঙ্গোলসু তাকখিনি” কৌবা শৈরেং লাইরিক অমসু পুথোক্লকই। অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**